# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 31, 2019 **PAGE 7**




*ম্যুনিক্তা টোটেনহাম হোটস্পরগা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা শরুক য়ারোইদৌরিবা রিয়েল মাদ্রিদতা শান্নরিবা ৱেলস মচা জেরেথ বেল*

*ক্রিকেটকী ফোর্মেট অহুমক্তগী পোথারে হায়না ফোঙদোকখ্রবা হান্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমদা য়াওরম্লবা ভেনুগোপাল রাও*



## মোদগিল অমদি বাবুটাগী পেয়রনা সেথি মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জতা চখরিবা ১২শুবা সরদার সাজন সিংহ সেথি মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অঞ্জুম মোদগিল অমদি আর্জুন বাবুটানা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফল টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



১২শুবা সরদার সাজন সিংহ সেথি মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফল টিম ইভেন্টতা পঞ্জাবকী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল অমদি আর্জুন বাবুটানা পোইন্ট ১৬ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

অঞ্জুম মোদগিল অমদি আর্জুন বাবুটানা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মথংশিংনা পোইন্ট ৪১৬.০ অমদি ৬২৫.৬ স্কোর তৌখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পেয়র মেহুলি ঘোস অমদি অভিনাভ সোনা পোইন্ট ১২ স্কোর তৌদুনা লৌখি। মখোয় অনীনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৪১৬.৬ অমদি ৬১৯.০ স্কোর তৌখি।

মিটর ১০গী মিক্স এয়র রাইফল টিম ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা রেলৱেজগী পেয়র আয়োনিকা পোল অমদি আখিল সিওরাননা পোইন্ট ৬ স্কোর তৌদুনা লৌখি। মখোয় অনীনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৪১৫.১ অমদি ৬১৯.৩ স্কোর তৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলগী কম্পিটিসন্দা পুস্পাঞ্জলি রানানা রুবি টোমরবু সুট ওফতা পোইন্ট ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা পুস্পাঞ্জলি রানা অমদি রুবি টোমরনা পোইন্ট ২৮–২৮ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী মকোক থোংবা সুট্টর খন্নবা সুট ওফ তৌনবদা পুস্পাঞ্জলিনা মায় পাক্কুনা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা রুবি টোমরনা সিলভর মেডল ফংহৌখি।

নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলগী কম্পিটিসন অসিদা আভিজ্ঞ্য পাটিলনা পোইন্ট ২২ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপীগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোলগী কম্পিটিসন অসিগী জুনিয়র সেক্সনদা অরুনিমা গোরনা পোইন্ট ৩২ স্কোর তৌবা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ভিশ্বা গনেসভাই দাহিয়ানা পোইন্ট ২৯ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা অভিজ্ঞ্য পটিলনা পোইন্ট ২৩ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা অভিজ্ঞ্য পাটিলনা পোইন্ট ৫৭১ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইরগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরকপনি।

সুট্টিং কম্পিটিসন অসিগী নুপাগী মিটর ২৫ গী সেন্টর ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা গুরপ্রিত সিংহনা পোইন্ট ৫৮৫ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

অরপিত গোইলনা পোইন্ট ৫৮৩ দা সিলভর মেডল ফংলগা যোগেস সিংহনা পোইন্ট ৫৮২ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা আর্জুন সিংহ সিমানা পোইন্ট ৫৭০ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অনমোল জেননা পোইন্ট ৫৫৫ দা সিলভর মেডল অদুগা ওমকার সিংহনা পোইন্ট ৫৫৩ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র সেক্সনদা আর্জুন সিংহ সিমানা পোইন্ট ৫৭০ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা গৌরভ রানানা পোইন্ট ৫৬০ দা লৌখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সুরিন্দর সিংহনা পোইন্ট ৫৪৮ দা ফংবা ঙমখি।

## পৃথবী সো বি সি সি আইনা অথিংবা থমখ্রে

*চেন্নাই, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী টেষ্ট ক্রিকেট্টর পৃথবী সো কুমজা ২০১৮–১৯গী দোমেষ্টিক সিজনদা দোপিং ভাইওলেসন তৌবগীদমক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না থা ৮ গী অথিংবা থমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২২ দা ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা সায়েদ মুসতাক আলি ট্রোফিগী মেটচ অমা চথরিঙৈদা বি সি সি আইগী এন্টি–দোপিং টেষ্ট প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা দোপ টেষ্টতা পৃথবী সো মহাক্কী য়ুরিন সেম্পলদা থিংখ্রবা পোৎয়ান টরবুটেলাইন য়াওরম্বদগী অথিংবা অসি থমখিবনি।

টরবুটেলাইন অসি ৱার্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সিনা অথিংবা থমখ্রবা পোৎশকশিংগী মনুংদা অমনি। চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা পৃথবী সোগী সেম্পল অদুদা টরবুটেলাইন অসি য়াওরম্বদগী বি সি সি আইনা মহাক্কী মথক্তা থা ৮ গী অথিংবা অসি থমখিবনি।

মহাক্না টুর্নামেন্টশিংদা য়াওবগী ওইনা চহী অসিগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা অথিংবা লৈখিগনি। অদুবু ট্রেনিং সেসন শরুক য়াবগী ওইনদি সেপ্টেম্বর ১৫ গী অহিংগী মতুংদা য়াগনি হায়রি।

## ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ইলাইট পেনেল ২০১৯–২০গী অম্পয়ার ২ খনখ্রে

*দুবাই, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*



*মাইকেল গো (ওই) অমদি জোইল ৱিলসন*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ইংলেন্দগী মাইকেল গো অমদি ৱেষ্ট ইন্দিয়াগী জোইল ৱিলসনবু আই সি সিগী ইলাইট পেনেলগী অম্পয়ার ওইনা কুমজা ২০১৯–২০ সিজনগীদমক এনুয়েল রিভিয়ু অমদি সেলেক্সন তৌদুনা খনখ্রে।

মখোয় অনীবু আই সি সিগী জেনরেল মেনেজর (ক্রিকেট) জিওফ আল্লরদাইস, হান্নগী শান্নরোই সঞ্জয় মনজ্রেকর, মেডল রেফরি রঞ্জন মাদুগাল্লে অমদি দেবিদ বুননা শাবা সেলেক্সন পেনেল অমনা খনখিবনি। মখোয় অনীনা হান্না অম্পয়ার পেনেল অসিদা য়াওরম্বা রিটায়র্দ অম্পয়ার ইয়ান গোল্ড অমদি রভি সুন্দরমগী মহুৎ শিনগনি হায়রি।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা ইলাইট পেনেলদা নৌনা হাপচিনখ্রবা অম্পয়ার অনীমক ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ঙাক্তনি।

ইংলেন্দ মচা মাইকেল গোনা টেষ্ট মেটচ ৯, ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ৫৯ অমদি টি–২০ মেটচ ১৪ ওফিসিয়েট তৌখ্রে। অদুগা ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা জোইল ৱিলসন্না টেষ্ট মেটচ ১৩, ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ৬৩ অমদি টি–২০ মেটচ ২৬ মায় পাক্না ওফিসিয়েট তৌখ্রে।

আই সি সিগী সেনিয়র মেনেজর এড্রিয়ান গ্রিফিথনা ফোঙদোকখিবদা ইলাইট পেনেলগী মেম্বর ওফিসিয়েল অমা ওইবা হায়বসি য়াম্না চাওনা শিংথাবা য়াবা থবক অমনি। ৱারেপ খুদিংমক মালেমগী মীয়াম মিলিয়ন কয়ানা য়েংশিল্লিবনি। অসিগুম্লবা লুরবা থৌদাং অসি লৌননবগীদমক য়াম্না হৈ–শিংবা, মরা চেৎপা, ঈং–তপ্পা ওফিসিয়েলশিং মথৌ তাই হায়খি।

হায়রিবা মগুনশিং অসি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা নৌনা পেনেল অসিদা খনখ্রবা মাইকেল গো অমদি জোইল ৱিলসনদা চপ চানা য়াওই। মখোয়গী তুংগী লাক্কদৌরিবা সিজন অসিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না এড্রিয়ান গ্রিফিথনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইমিরেটস আই সি সি ইলাইট পেনেল অসিগী অতোপ্পা অম্পয়ারশিং অদুদি আলিম দার, কুমার ধরমসেনা, মারেজ ইরাসমস, খৃস জেফানে, রিচার্দ ইল্লিংৱোর্থ, রিচার্দ কেট্টলবোরো, নিগেল লোং, ব্রুস ওক্সেনফোর্দ, পোল রৈফেল অমদি রোদ টক্করনি।

ইমিরেটস আই সি সি ইলাইট পেনেল অসিগী মেটচ রেফরিশিং ৭কী ওইনদি অহোংবা লৈরোই। মেটচ রেফরি ৭ কী মমিংশিং অদুদি দেবিদ বুন, খৃস ব্রোর্দ, জেফ ক্রো, রঞ্জন মাদুগাল্লে, এন্দি পিক্রোফ্ট, রিচি রিচার্দসন অমদি জাবগাল স্রিনাথনি।

## ফ্রান্সকী সোঙ্গা অমদি য়ুক্রেনগী সুরেনকো সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা ফ্রান্সকী সোঙ্গা (ওই) অমদি য়ুক্রেনগী সুরেনকো*

*ৱাশিংটন, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস এগী কোনুং ৱাশিংটনদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা সিটি ওপন টেন্নিসতা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা অমদি য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকো নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা কানাদাগী শান্নরোই ব্রেদেন স্কুনরবু ৬–৪, ৭–৬(৭–২) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী কারেন খাচানোভকা শান্নরগনি।

য়ু এসকী টোমী পোলনা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোই দেনিস কুদলাবু অহানবা রাউন্দদা ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–০, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসকা শান্নরগনি।

সিটি ওপন অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী শান্নরোই এ মনারিনোনা বেলারসকী আই ইভাস্কাবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৭–৩), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৪শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগা লম্বা তৌনরগনি।

পোলেন্দগী শান্নরোই ঐচ হুরকাজনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী দি য়ংবু ৬–১, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা য়ু এসকী শান্নরোই জোন ইসনরগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই বি ফ্রেটানজেলোনা ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(১৪–১৬), ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকা শান্নরগনি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকোনা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং য়াফানবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী য়ু এসকী সোফিয়া কেনিননা অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই জেনিফর ব্রেদিবু ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী এল দেভিসকা শান্নরগনি। য়ু এসকী এল দেভিসনা অহানবা রাউন্দদা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দপু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

য়ু এসকী জে পেগুলানা ৬শুবা সিদেদ কেটরিনা সিনিয়াকোভাবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্ম অমদি উট্টেজিথা রাও থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী মেন দ্রো চঙখ্রে

*বেঙ্কোক, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী সট্টলর সৌরভ ভর্ম অমদি উট্টেজিথা রাও মখোয়–মখোয়গী ক্বালিফায়িং মেটচশিং মায় পাক্কুনা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মেন দ্রোদা চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর সৌরভ ভর্মনা থাইলেন্দগী কান্টাৱট লিলাভেচাবুটরবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৮, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা চাইনাগী ঝৌ ঝে কিবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১১–২১, ২১–১৪, ২১–১৮ দা মায় পাকপা ঙমখিবদগী থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মেন দ্রো য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মেন দ্রো চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সট্টলর সৌরভ ভর্মনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী শান্নরোই কান্টা সুনেয়ামাগা শান্নরগনি।

ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই ঝৌ ঝে কিগী মখূত্তা ১৬–২১, ১৩–২১ দা মায়থিহৌখি।

ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর উট্টেজিথা রাওনা কানাদাগী টাম ব্রিটনিবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায় পাকপা ঙমদুনা মহাকসু মেন দ্রো য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী সট্টলর উট্টেজিথানা সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই চেন জিয়াওজিনগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সাইনা নেহৱাল খক্তমক শরুক য়ারি। নুপাগী কাঙলূপ্তা কিদম্বী শ্রিকান্থ, বি সাই প্রনিথ, ঐচ ঐস প্রনোই অমদি পরুপল্লি কাশ্যপ মেন দ্রো দাইরেক্ট চঙদুনা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিংগা শান্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রবনি।

## প্রজনেসনা ৱার্ল্ড নম্বর ৬৭ মিলমেন মায়থিবা পীখ্রে

*লোস কাবোস, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ৱার্ল্ড নম্বর ৬৭ দা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন মায়থিবা পীদুনা মেক্সিকোগী সিটি লোস কাবোসতা চথরিবা এ টি পি লোস কাবোস ইভেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৯০শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ৱার্ল্ড নম্বর ৬৭ ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী প্রজনেসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিলমেনবু ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা মিলমেননা ইন্দিয়াগী প্রজনেসপু ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৬–২ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

## ফ্রেঞ্চমেন হর্ভ রেনাল্ড সাউদি অরাবিয়া নেসনেল ফুটবোল টিমগী কোচ ওইখ্রে



*রিয়াধ, জুলাই ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা মোরোকো নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইরম্বা ফ্রেঞ্চ মচা হর্ভ রেনাল্ডনা ফুটবোল মশান্নদা এসিয়াগী পৱার হাওস ওইরিবা সাউদি অরাবিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা খনখ্রে।

মশাগী চহী ৫০ শুরবা হর্ভ রেনাল্ড য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা কোচনি। মহাক কুমজা ২০১২ দা জম্বীয়াগী কোচ ওইরমখি। অদুগা কুমজা ২০১৫ দা আইভোরি কোষ্টকী হেদ কোচ ওইদুনা এফকোনগী চেম্পিয়ন ওইহনবা ঙমখি।

সাউদি অরাবিয়াগী হান্না কোচ ওইরম্বা জুৱান এন্টোনিও পিঝি লৈবাক অসিনা এসিয়া কপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী মহাক্কী ফম অদু লৌথোকখিবনি। মসিগী মতুংদা মার্চ থাদা য়োসেফ অনবরবু টেম্পোরেরি কোচ ওইনা থৌ পুহন্দুনা লাকখিবনি।

হর্ভ রেনার্দনা কোচ ওইরবা মতুং মথং থাগী ৪ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৱেষ্ট এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপ্তা সাউদি অরাবিয়া শোয়দনা পার্ফোমেন্স ফজবা ঙম্লগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

**ক্রোসৱার্দ ২৩৫ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| M | A | D | E | ■ | N | E | I | L | ■ | A | L | T | E | R |
| E | W | E | R | ■ | A | L | S | O | ■ | L | A | R | V | A |
| R | E | P | R | E | S | E | N | T | ■ | I | S | A | A | C |
| E | S | P | ■ | P | A | C | T | S | ■ | ■ | S | I | D | E |
| ■ | ■ | ■ | W | I | L | T | ■ | ■ | R | I | O | T | E | R |
| M | U | S | I | C | ■ | O | S | C | A | R | S | ■ | ■ | ■ |
| O | P | E | N | S | ■ | R | O | O | T | S | ■ | M | A | T |
| D | O | T | E | ■ | S | A | B | L | E | ■ | S | I | L | O |
| E | N | S | ■ | M | O | T | E | L | ■ | M | I | N | O | R |
| ■ | ■ | ■ | C | A | M | E | R | A | ■ | A | L | I | E | N |
| D | E | C | O | D | E | ■ | ■ | T | A | R | T | ■ | ■ | ■ |
| I | L | L | S | ■ | ■ | A | M | E | N | D | ■ | D | I | N |
| S | T | A | T | E | ■ | F | O | R | T | I | T | U | D | E |
| C | O | R | A | L | ■ | A | L | A | S | ■ | S | A | L | E |
| S | N | A | R | L | ■ | R | E | L | Y | ■ | P | L | E | D |


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 1250/SDC/P of 2019

Waikhom Jamuna Devi W/o (L) W. Kebi Singh of Khurai Sajor Leikai

Petitioner

-Vs-

Waikhom Guno Devi D/o (L) W. Sajou Singh of Khurai Sajor Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 30-7-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 170 (অরিবা) 23/1076 (অনৌবা) C.S. Dag No. 366/1284 an area .02 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/B(L)(7)/31



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 483/SDC/SLG/IE of 30/7/2019*

Maisnam Priyomala Devi W/o (L) M. Dinachandra Singh of Wahengbam Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Maisnam Dinachandra Singh S/o (L) Bira Singh of Wahengbam Leikai

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 30th July 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তহশিল খুল নং ঃ 10-Taorem পাট্টা নং 6 (অরিবা) 213 (অনৌবা), দাগ নং ঃ 1111, 1112, 1118 মোট এরিয়া 1.84 একর চাউবা Phourel লৌফমগী Pattadar মৃত্যু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেতিস্নর অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা Petitioner অসিগী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা অপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

**SL/B(T)31**